# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 16-04-2026)**

**বজেটঃ** নুমিৎ হুমনি চথুগদবা সংসদকী বজেট মীফমগী অখন্নবা মীফম ঙসিদগী হৌরগনি। মীফম অসি লাক্লিবা থাংজ নুমিৎ ফাওবা চথুগনি।

মীফম অসিদা নারি শক্তি বন্দন অধিনিয়মগী কন্সটিট্যুসনেল এমেন্দমেন্টদা অহেনবা মীৎয়েং থমগনি। সরকারনা নারি শক্তি বন্ধন অধিনিয়ম চৎনহন্নবগীদমক এমেন্দমেন্ট বিল অহুম পুথোক্কনি। মসি ইং কুমজা ২০২৩ দা পাস তৌদুনা লোক সভা অমসুং রাজ্য বিধান সভাদা নুপীশিংগী ফম চাদা ৩৩ খাক্তুনা থমবা প্রস্তাব তৌরি। দিলিমিটেসন তৌরবা মতুং ৱিমেন রিজারভেসন এক্ট ইং কুমজা ২০২৯ দা পাঙথোক্কদবা লোক সভা মীখলদা চৎনহন্নবগীদমক সংবিধান শেমদোকবা অখন্নবা মীফম অসি কৌবনি। নুমিৎ খরনিগী মমাংদা প্রধান মন্ত্র-নরেন্দ্র মোদিনা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী লুচিংবশিংদা চিঠি ইদুনা এমেন্দমেন্ট অসি অমত্তা ওইনা পাস তৌনবা হায়জখিবা লৈরবনি।

পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজুনা হায়-ৱিমেন রিজারভেসন বিল অসি থোং চপ মান্নবা অমদি রাজ্যশিং, জাতি কাংলুপশিং অমসুং ধর্ম্ম পুম মক্কী থাজবশিং অদু মসিনা চপ চানা পীবা ঙমগনি। মহাকা হায়-বিল অসি পাস তৌনবা হোৎনবদা দল খুদিংমকা মতেং পাংল্লক্কনি খল্লি।

রাজ্য সভাদা বিরোধি লুচিংবা ওইরিবা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট-মালিক অরজুন খর্গেনা হায়-দল অসিনা ৱিমেন রিজারভেসন বিলগী মায়োক্তা লৈতে। অদুমওইনমক, বিল অসি করম্বা মওংদা পুথোরক্কদগে হায়বদুদা চিংনবদি পোকই।

মরক অসিদা, কংগ্রেস, জনতা দল (য়ুনাইতেদ) অমসুং লোক জনাশক্তি পার্তি (রাম বিলাস) না মখোয়গী লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী এম.পি. পুম মক সভাদা লেংদনা লৈনবা হ্বিপ জারিখ্রে। দলশিং অসিনা মখোয়গী এম.পি পুম

মক্তা  সংসদকী মীফম অসিদা সভাদা লেংদনা লৈনবা অমসং দলগী ফিরেপ শৌগৎনবা খঙহনখি।

বি.জে.পিনসু লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাদা লৈবা মখোয়গী এম.পিশিং সভাদা লৈনবা হান্ননা হ্বিপ জারিখ্রবনি।

**এময়ু(এল)ঃ** ৱিমেন রিজারভেসন বিল-২০২৩ (নারি শক্তি বন্ধন অধিনিয়ম) চৎনহনবগী মতাংদা মনিপুরি য়ুনিভরসিতিনা শিনদুনা ভাইস চাঞ্চেল্লরগী সেক্রেটরিয়েটকী কোর্ট হোলদা ঙরাং থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, নুপীদা শক্তি পীদুনা একাডমীক, পোলিটিক্স, ব্যুরোক্রেসি অমসুং নেসন বিল্ডিংদা নুপীশিংগী মীহুৎ হেনগৎহনবগী মতাংদা খন্নবনি। থৌরম অদুদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ইন-চার্জ-প্রোফেসার সুমিত্রা ফাংজোবম, স্কুল ওফ এদুকেসনগী দিন-প্রোফেসার প্রেমলাতা মৈস্নাম, স্কুল ওফ হ্যুমেনিটিজকী দিন প্রোফেসার-তোইজম তম্ফা দেবী, রেজিস্ত্রার ইন-চার্জ-টি. শান্তিকুমার সিংহ, লো বিভাগকী হেদ-প্রোফেসার ৱাই. প্রেমানন্দনচিংবা শরুক য়াখি।

**খোঙজং(এল)ঃ** মনিপুরদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা মীয়ামগী ওইবা মৈরাগী রেল্লি চৎখ্রে।

লুপ মঙা-অমুকো, এম.এস.এফ, পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুনবা মনিপুর, অমৱোভা অমদি কোহরনা লুচিংদুনা মৈরাগী রেল্লি অদু ইম্ফাল ৱেষ্টকী ক্বাকৈথেলদগী হৌরগা কৈশাম্পাৎ তমা লাকখি। কৈশাম্পাৎতা মশিং য়াম্লবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মখোয়বু থৎতুনা থমখি। খোঙজং চংশিল্লিবশিংনা অঙাং অমসুং মীচম হাৎপা য়ানিংদে হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়ামরুম লাউখি। রেল্লি অসিগী মতাংদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট-সঞ্জয় সোরোকখাইবমনা হায়-মনিপুরদা ইং কুমজা ২০২৩ দগী থোরকখিবা ইরাং অসিনা আই.দি.পি. লিশিং

৬০ হেন্না রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরি। কেন্দ্র সরকারনা মনিপুরগী ৱাথোকশিং অসি অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা হোৎনগদবনি।

**কার্ফিয়ু(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং ককচিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি। অদুমওইনমক, বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনদি কার্ফিয়ু কোমথোক্লোই।

অমরোমদা, রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী জিলা মঙাদা মোবাইল ইন্টরনেটকী অথিংবা থম্লকপদু ঙসি নুংথিল পুং অনি ফাওবা শাংদোক্লি।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীওই অমা ওপিয়ম কিলোগ্রাম অনিরোম হেনবগা কোন্ননা ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-মীওই অদু মনিপুর পুলিসনা ঙরাং সেকমাই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা সেকমাই নোংথোবন এরিয়াদা ফাগৎখিবনি। মীওই অদু তমেংলোং জিলাগী আলিং খুনদোং খুনখাইবদগীনি হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মনিপুর পুলিসনা য়ুঙৌ বোটল ৫০ রোম ফাগৎখ্রে।

ঙরাং উখ্রুল জিলাগী লীতান পুলিস ষ্টেসননা কোনবা জালেংবুং ভিলেজ এরিয়াদা আইনগী ৱাংমদা শারম্বা বঙ্কর অনি মনিপুর পুলিসনা থুগায়দুনা মাঙহনখ্রে।

মথৌ নীংথিনা তৌবগীদমক মনিপুর পুলিসকী ওফিসার অমসুং পার্সোনেল ৭৫০ দা দি.জি.পি. কমেন্দেসন রোল ৱিট দিস্ক-২০২৫ গী মনা পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

**মীখলঃ** থা অসিগী ২৩ দা ভোট থাদনগদৌরিবা নোংচুপ বেঙ্গোল বিধান সভাগী অহানবা তাঙ্কক অমসুং তামিল নাদুগী মীখলগী ভোট খোম্বগী থবক নোংম

নোংমগী কনখৎলক্লি।

তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা রেল্লি, রোড সো, মীয়ামগী মীফম অমদি য়ুমথোং য়ুমথোং চংদুনা ভোটরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনরি।

ত্রিনামুল কংগ্রেস লুচিংবী অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-মমতা বেনর্জিনা সিলিগুরিদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিনদা শরুক য়াখি। বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা নোর্থ বেঙ্গোলদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিন মরিদা শরুক য়াখি।

লোক সভাদা বিরোধি লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা তোঙান তোঙানবা মীয়ামগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা তামিল নাদুগী নগর কোইলদা পাঙথোকপা রোড সোদা শরুক য়াখি। এ.আই.এ.দি.এম.কেগী লুচিংবশিং, বি.জে.পিগী কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং, তামিল নাদুগী মুখ্য মন্ত্রি-এম.কে. স্তেলিননা ঙরাং তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি।

সিট ২৩৪ লৈবা তামিল নাদু বিধান সভা মীখল তাঙ্কক অমখক্তদা অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলগী সিট ১৫২ গী ভোট থা অসিগী ২৩ থাদনগনি। তাঙ্কক অসিগী ভোট খোম্বগী মতম লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লোয়রগনি। নোংচুপ বেঙ্গোলগী লেমহৌরিবা সিট ১৪২ গী ভোটনা এপ্রিল ২৯ দা থাদনগনি। অসাম, কেরলা, পুদুচেরি, তামিল নাদু অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলগী ভোট মশিং মে মরিদা থিগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী হেদলাইনশিং অসি অমগা অমগা ইমান মান্নদ্রে।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা কাংপোকপীদা ত্রকশিংদগী

কে.আর.এনা শেল খায়রে অমসুং মীয়ামগী ইহৌ মরক্তা ভাব তানহন্দবদগী অচৌবা ইরাং থোকখ্রে, গাড়ি অনি মৈ চাকখ্রে, মীয়াম শোকখ্রে হায়বসিনা অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

থিনুঙ্গৈদা এ.আর. তোংলকপা গাড়ি অনি মৈ থাখ্রে, খোঙজংলোই ২০ হেন্না শোকখ্রে হায়বসিনা পোকফম পাউচেদা বেন্নর হেদলাইন তৌরি। মশিং য়াম্লবা মীয়ামনা খোল্লাউ কয়াগা লোয়ননা মৈরা রেল্লি চৎখ্রে হায়বা পাউ অমসুং সেক্যুরিতিগী কোরদিনেসন ৱাৎখিবদগী থোকখিবনি হায়বা হোম মিনিস্তর-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা সব হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। হোম মিনিস্তর-গোবিন্দাসনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অসি তমেংলোং টাইমস অমসুং হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

থিনুংগৈ থৌদোক্কা মরী লৈননা হোম মিনিস্তর-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

লৈঙাক পায়রিবশিংনা ইলিগেল ইমিগ্রেন্ট হায়না লাউদুনা লৈরে। মীতোপ খঙদোকবা ফোরেন্নর ত্রাইব্যুনেল থিংবগী থবক্তি তৌরমদ্রে হায়না এম.পি. অঙোমচা বিমোলনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সলাক শারবা লো এন্দ ওর্দরগী মতাংদা কংগ্রেসনা গভনরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে। সি.আর.পি.এফনা মীচম অহুম হাৎখিবা মরম চাদে হায়না এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-ওক্রম ইবোবীনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সনা লৈবাক্তা তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। কংগ্রেস প্রসিদেন্ট-ওক্রম ইবোবীনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অসি মনিপুর মেলদা তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা

ফোংলি। থিনুংগৈদগী হৌরকখিবা ইরাংনা মনিপুর পুন্বা মৈ হৌরে। পাউ ফাওনবা ৱাৎপদগী থোকখিবনি। খুৎলায় ৮ মক লৌখৎলে হায়বা হোম মিনিস্তর-গোবিন্দ দাসকী ৱাফমনা সনা লৈবাক পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্তা প্রি-মোন্সুনগী চেকশিন থৌরাংগা মরী লৈননা মীফম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ-হিলস হোর্ন বিল এক্সপেসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সি.বি.এস.সি. ক্লাস টেনগী পরিক্ষাগী ফল লাউথোক্লে। চাদা ৯৩.৭০ গী চাংদা মহৈরোইশিং পাস তৌখি হায়বা পাউ গানফিয়ু মেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।